
# পুর্নামসিং শাবা হায়না মীয়াম্না খঙনখিবা শুমাং লীলাগী এক্টর চানম নিলবির মৈতৈ

*- নানি*

এক্টর অমগী পুন্সিদা মশক মমিং নাইনবা হোৎনবদা তঙাইফদবা মচাক ময়াম অমা চঙই। মহাক্কী লন্মী অদুগা মরী লৈননা থিবা-তম্বা- হৈতবা য়াদবা কয়া অমা লৈ। পুন্নমকশিং অদুগী মথক্তা হোৎনবা কনবা, খাঙবা কনবা, অৱা-অনা থিদবা অমদি পুকচেল শেংবা লোয়ননা কথোকপা অমা চাউনা মথৌ তাই। মদুনা নৎত্রগদি মতিক চাবা এক্টর অমা হেক্তা ওইবা য়াদে। মতম অমগী এক্টরশিংগী মফমদা কথোকপগা লোয়ননা থৱায় য়াওনা হোৎনবগী মমি চাউনা চাউনা তাখি। অদুগা হোৎনরকপা খূদিংমক হেক্তমক মশক-মমিং নাইখিবসু নত্তে। মসিগীসু মথক্তা পীথোরকপা মতিক ময়াই, খোঞ্জেল, ফীভম, শাজৎ-লীচৎ হায়বা অসিসু য়াম্না মরুওই। অদুনা এক্টর ওইবা হায়বসে পাম্নরবসু নৎত্রগা পামজরবসু পাক হেক ওইবা য়াদে। মতম অমা মণিপুরী শুমাং লীলাদা থোইদোক্লা মমিং লৈখিবা অমনি চানম নিলবির মৈতৈ। মশক মতৌ চঙখোল্লি, মী ৱাং-চাউই, কুচু ঙৌই। আনোক অমুবা য়াম্না উপকল্লি। নোকপদা মমিৎ য়াওনা নোকই, ঈং-তপ্পী, চঙখোল্লি। হেক থোরকপদা মীৎ পুমথন হেক থনবা হায়বদু ওই।

চানম নিলবির মৈতৈ কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা কুমজা ১৯৪১দা পোকখি। অপোকপসু মতম অমগী মোইরাং পর্ব লীলাদা মমিং লৈখিবা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা ওজা অমনি। খম্বা শাবা চানম নিমাই মৈতৈ হায়বা ঙসি ফাওবা শোন্নরিবা ওজা অদুনি। অপোকপদা চেনখিবা ময়াই খায়দোক্তুনা মচা ইবুংঙো নিলবিরগী ঈদা, লূদা তোংদা চেন্থরকখিবনা নিলবির মৈতৈ মীয়াম্না শক খঙনবা এক্টর অমা ওইরকপদা থোইদোক্লা পংলু লুবা ওইখিদে। পীক্লিঙৈদগী হৌনা মপাবুংনা তৌরকপা কয়া উরকপা অদুনা মশাদা এক্টর অমা ওইনিংবগী ইথিল অমদি য়োক্তুনা থম্লকখি। কুমজা ১৯৬৮গী মতমদা শাফোঙলকপা হুং শিদবা ড্রামাটিক য়ুনিয়ন হায়বা লৈখিদ্রবা লৈবাক্কী ওজা নিঙোম্বম অঙৌতোন মৈতৈনা লুচিংদুনা থম্বালখোংদা লিংখৎখি। মদুদা ওজা অসিনা মশামক্লা ইরগা তম্বীবা ড্রামা "নোংখোং কোয়বা" হায়বা লীলা অমা পুথোকখি। লীলাদু মফম কয়াদা চৎতুনা শুমাংদা, শঙ্গোয়দা চহী ফনা য়াম্না শান্নখি। মতমদুদা ষ্টেজ শাদুনা, মাইক পান্দুনা শান্নবা নত্তে। ইচম চম্না শান্নবনি। মীয়াম্নসু য়াম্না নুংশিবীখি। অসুম্না চত্থরকপনা ১৯৭৩দা ইম্ফাল যাত্রা কম ড্রামা এসোসিএসন হায়বা শুমাং লীলাগী লূপ অমা লৈরম্মী। মতমদুগী মমিং লৈরবা ওজা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা খাবা শাবা হায়না খঙনবা লাঙ্গোলজম বারুনি ওজা অসিনা নোংমা লাক্তুনা হায়রখি। "ইবো নঙ হন্দক্তগী শুমাং লীলাগী ফেষ্টিভেল থোক্লসি ঐগীদা য়াওরো" হায়না তাকপীবদগী ইহান হানবা ওইনা শুমাং লীলা য়াওবা হৌখি। লীলা অদুগী মমিং থাংজম বিরচান্দনা ইবা "ইরাল" হায়বা অদুনি। লীলা অদুদা পুলিস ইন্সপেক্টর অমা শাদুনা ইহান হানবা ওইনা য়াওরকখিবনি। লীলা অদুসু কুম অদুগী লীলা চাংদম্নবদা সেকেন্দ বেষ্ট প্লে ফংখি। চানম নিলবিরগী খুৎ থেক্তুনা পনবা য়াবা ওজ াশিংগী মনুংদা- নিঙোম্বম অঙৌতোন মৈতৈ, চোংথাম ময়ুরধজ (নিংথেমজাও), লাঙ্গোলজম বারুনি অদুগা থেংথরকপদনা বিরজিৎ ঙাঙোম্বা হায়রিবশিং অসিনি। নিলবির মৈতৈ শুমাং লীলা হেক য়াওরকপদগীদি মমিং লৈরবা লীলা কয়াদা কুম্লকখি। মহাক্কী মমিং অসি ময়াম্না খঙনবীবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকখি। পনবা য়াবা লীলা খরদি- ইরাল, কচ্চে ধাগে (কায়রবা থম্মোয়), উমাকান্তগী ৱিল, ঈগী খুদোল, পুখমথক্কী পুর্নিমা, চুরাম্থাবা, মঙলানগী মাঞ্জা নচিংবা খরা অসি পনবা য়াই। মসিগী মথক্তা য়াম্না মমিং লৈখিবা শুমাং লীলা "পুয়া মৈ থাবা" হায়বা লীলাদসু পামহৈবগী রোল লৌদুনা মফম অমা কনবা ঙমখি। সিগী মতুংদা মীয়াম্না য়াম্না পকচৈ হায়নখিবা লীলাদি "চরাইরোংবা" হায়বা অসিদা চরাইরোংবা শাবা অসিদনি।

চানম নিলবির, মণিপুরী শুমাং লীলাদতা নত্তনা মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎতসু অচৌবা থৌদাং লৌখিবা এক্টর অমনি। 'ঙকইকো নঙসে' হায়বা পুনম পিকচরনা কুমজা ১৯৮৪দা পুথোকখিবা মণিপুরী ফিল্ম অদুদা কোরা হায়বা রোল অমা লৌদুনা শরুক য়াবা হৌরকখি। রোল অদুদা য়াম্না পকচখি। তুপি অফনবা অমা উপ্পগা থোরকপদা হোল্লিৱুদ ফিল্মগী হিরো অমগুম্না য়েংবদা তরুম-তরুমখি। ফিল্ম অদুগী রোল অদু কুম্নবা এনগেজ তৌরকখিবসি ১৯৮৩দা বাদল সরকার হায়বা মমিং লৈরবা ইন্দিয়ন ঠিএটর দিরেক্টর অদুগী মখাদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীন্দুনা থা অমা চুপ্পা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখি। ৱার্কশোপ অদুগী লোইশিনবা থৌরমদা আর্টিষ্ট ৩০ রোম্না শরুক য়াখিবা প্রদক্সন অমা পুথোকখি। মদু কালিমাই মান্দপতা শান্নখি। লীলা উৎপা লোইরবা মতুংদা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদ্রবা ফিল্মদুগী দিরেক্টর এস এন চান্দ, প্রদ্যুসর ৱাংখেম বসন্ত,



ম্যুজিক দিরেক্টর নোংমাইথেম পহারী অমদি ঈশৈ ইখিবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা মাগী মনাক্তা চঙলকখি। নুমীৎ অদুদা নোংমাইথেম পহারীনা হয়েং অসি বসন্তগী দুকান থঙ্গাল বজারদা অমুক্তা লাকপীয়ু ৱারী অমা শানগদবা লৈ হায়বদগী নোংঙাল্লগা চৎলুবদা ফিল্ম অদুগী রোল অদু পীবীরকখি। রোল অদুগী মতাংদা মহাক্কী ওজা চোংথাম নিংথেমজ াওগী মনাক্তা চৎতুনা তান্নজখি। ওজানসু নীংথিনা তাকপীরকখি। অসুম্না ফিল্ম অদু কোলকাটাদা অমদি মণিপুরগী মফম কয়াদা সূটিং তৌখিবনি। নুংঙাইরিবদি ফিল্ম অদুদা ঙাংখিবা লোল পুম্বা অমত্তা চিংখদনা য়াচঙলকপা পুন্সিগী মতম ফাওবা মশাগী লৈতোনদা পক্তুনা লৈখি। ৱারেংজরিবনা কুমজা ২০২০দা ওজা অসিগী উনবা থৌরম অমা শীনখি। থৌরম অদুদা মশাগী চহী ৮০ শুরবা ওজাসিনা ফিল্মদুদা ঙাংখিবা দাইলোগশিং চিংখদনা হায়বীরমখি।

"কোরা - মিষ্টর রবি, তিংথৌ মতোলদা পকপা লীক্লানা নঙগী খৌরাংবা কোক্কনি হায়না খনব্রা? নঙনা ঙসি লংলিবা সনা-লুপা, ফুরা-দলাল ময়াম অসি কনাগী মপালদগীনো? ঐগী ইপালদগীনি। মসিগীদমক্তা ঐ ইশাগী হুমাং মমল পাম্মী। কদায় শেল"।

ফিল্ম অসিগী মতুংদগীনি এক্টর অসিগী মমিং হেন্না লৈখিবা "য়াইরিপোক থম্বালনু" হায়রিবা ফিল্ম অদুদা অমুক হন্না পুর্নামসিং হায়বা রোল অদু কুমদুনা হেন্না হকচিনবা এক্টিং কয়া তৌদুনা অয়েংবশিংগী পূক্লিংবু পেলহনখিবা। ফিল্ম অদুদগীদি এক্টর অসিগী মমিং নিলবির হায়বসি তোক্লগা **পুর্নামসিং শাবা** হায়না মীপুম তিংনা খঙনবা হৌরকখিবা। ৱাং-চাউবা, চিং-লেম্না, ঙাংথোরকপা ৱাহৈ খূদিং তয়াং তয়াংনা হায়দনা লুম-লুম লাউনা ঙাংথোরকপদুনা এক্টর অসিগা চুশিন্নবা হায়বদু ওইখি। ফিল্মদুগী মতাংদা ৱারী শাজবদা থম্বালনুবু লৈশাংখোং থিঙেল থিংনবা ফাবা লাকপা মতমদা ঙাংখিবা দাইলোগ মতেক অমসু নীংশিংবীরমখি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি মসিগী মতাং অসিদা বেদ শাবনিনা কপ্পা য়াদে, নম-হাদুনা থম্বালনুবু ফাদুনা পুগদবনি হায়বসি খঙলবসু সিক্বেন্স অদুনা ওইরক্লিবা ফীভম অদুদা মীৎতগী পি খাম্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি হায়না ৱারেংজরিবদা ৱারীবীরম্মী।

"পুর্নামসিং- করি ৱানো থম্বালনু, ইনিংথৌগী সনা য়াথংনি, নঙগী ইমা হল্লকপা ঙাইদুনা লৈবা য়াবা নত্তে, থিল্লে ঐগী ইমাং থানা চৎলু। অঙম্বা -করি ৱানো অঙম্বা, নঙগী নচা-নশুদা থোক্লবদি কমদৌনি, মমা কৈথেল কাখিবা, মৌপ্পা ষনজেন ষনঙাক চৎখিবদু ঙাইহাক ঙাইখিসি কৈনো।

পুর্নামসিং- করি ৱানো অঙম্বা, ইনিংথৌগী মনা-মথুম চাদুনা হিংলিবনি, অসিগুম্বা ৱায়েল থৌদাগী চুপ্লি অসি লাক্কনি হায়বা খন্থবীহৌদবরনে অঙম্বা? কান্নদে থম্বালনু, ঐবু ৱা য়াম্না ঙাংহনগনু, থিল্লে চৎসি। কনা লৈ..."

ওজা অসিনা ঙসিদগী চহী ৫০ মুক্কী মমাঙদা নমখিবা ফিল্মগী দাইলোগ অমদি সিক্বেন্স কয়া অদু অকাউ পরৈ চন্দনা থম্মোয়দা য়োক্তুনা থম্লমখি। অরোইবা পুন্সিগী মীকুপ য়ৌরবা ফাওবদা দাইলোগশিং অদু ৱাহৈ অমত্তা চিংখদনা কাউখিদে। মদুনা তাক্লিবদি এক্টর অমনা কেরেক্টর অমা শানবা হোৎনবদা কয়ামুক থৱায় য়াওখিবগে হায়বা অদুনি। মদুগী মমি অরোইবা মীকুপ ফাওবা মশাদা য়োমদুনা লেঙদনা লৈখি। কয়াদা মমল য়ামখ্রবা আর্টিষ্টনো? মসিগী মখা তানা "ইঙাল্লে", "খম্বা-খম্নু", "খুঙ্গংদুদা" (রিলিজদি তৌখিদ্রবা) ফিল্মশিংদা কুম্বীরমখি। মসিদা নত্তনা ওজা অসিনা কুমখিবা শুমাং লীলা কয়াগী দাইলোগশিং ফাওবা অমত্তা কাউখিদে।

অসুক মমল য়ামখ্রবা অহল অসি হিংনবগী লানফমদা য়াম্না কন্না লাম্থেংনরম্বা লান্মী অমসু ওইরমখি। শুমাং লীলাদগী পোত্থারবা মতুংদা তৌফম খঙদদুনা ওটোরিক্সো থৌদুনা পেসেঞ্জর পুরগা শেল তাল্লমখি। কয়াদা নুংশিখ্রবা ৱারীনো। মশাগী পাঙ্গলনা হেক ঙম্লিবমখৈ ইমুং-মনুং পুনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীদুনা লাকখি। মমিং লৈরবা এক্টর অসিনা ওটোরিক্সো ড্রাইভর ওইদুনা মতম শাংনা লৈরম্বা অদুগী খল্লুবদা য়াম্না নুংঙাইখিদে। এক্টর অমা হায়বসি ফনা য়াম্না ফাউরবসু লমদম অসিদদি অৱাবগী মশক্লি। মপাঙ্গল কল্লিঙৈ, মীনা পাম্নরিঙৈ মতমদদি মহাকপু শক্ল-শোন্নবীরমখি, নুংশিবীখি। অদুবু মপাঙ্গল ময়েং তারক্লবা মতমদদি মহাক্কীদমক্লি হায়দুনা কনানসু থৌজালগী খুৎ তিংথোকপীরকখিদে। মসি লমদম অসিগী হৌখিবা এক্টরশিংগী পুন্সিদা তোয়না থেংনখিবা অৱাবশিংগী মনুংদা অমনি। অসুম্না ৱানা পুন্সিগী লাম্থেং কয়াদা শরুক য়ারকখিবা মশক নাইরবা এক্টর অসি হৌখিবা নবেম্বর ৬, ২০২২ নোংমাইজিং নুমীৎতা তাইবং মপুগী শিন্থা লোইদুনা মপুগী লৈকোলদা লৈরাং-লৈনম ওইনা তীনখ্রে। পাম্মুই হায়না শোঞ্জহৌবা অসি নত্তনা করিদি উপায় লৈরি। মীওইবগী মাগী মাগী মতম হায়বদুনা লাক্লবদা কনানবু লম্মী থৎলুবা ঙমগনি। অদুবু অসিমত্তংদি নীজ রি- ওজা অসিগী থৱায় মিরেলনা মতম চুপ্পদা মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীবা ওইসনু। করিগুম্বা মথংগী মপোক হায়বদুনা লৈরবদি অমুক হন্না নরমদম অসিদা নোঙ্গুম্লক্তুনা নরোই ননাওশিংবু লমজিংলখোকো।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।১১।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
হিয়াঙ্গৈগী ২০নি পানবা।

**মেষ:** অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎলসু নীংবা থুংবা, মীচঙ হেনগৎপা, পাংঙমদবা থবক পাঙবা অমদি অরিবা লন ফংবা য়াবগী নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**বৃষ:** লৌশিংনা পাঙ্গল ওইগনি, লান্দবনা মায় পাক্কনি, অফবা লৌশিং তানশিনবা মায় পাক্কনি। হম্থবা লোয়নবা, চিঞ্জাক কাম্বদি মাঙবতা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** নীংবা থুংবা, হরাওবা, লেঙদবা লন ফংবগী নুংঙাইজবা অমদি খুৎচাও থাবা মতাং চাবা নুমিৎনি। নোল্লুক্লা চৎত্রদি মীচঙ ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা খরদি লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**কর্কট:** হোয়া ফবা, চরাঙনবা অমদি খোয়রাংবনা মাঙজবতা নংগদবা নুমিৎনি। নক্লবা মীশিংগী ৱা তাবনা, পোরম য়াৎলগা তৌবনদি কান্নজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**সিংহ:** শেল-থুমগী থবক্তা মায় পাক্কনি, অনৌবা থৌরম পাঙহৌবা য়াগনি, য়েৎনরম্বসু শাফরনি। চিঞ্জাক কাম্লদি নথক থোংবগা মুক্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** খুৎচাও থাবা মতাং চাগনি, নচাক নরল মরাং কায়না ফংবা য়াই, লাই-গুরুনসু চানবীগনি। লম খুদিংদা মায় পাক্কনি-মতম মাঙহনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**তুলা:** লন হেনগৎপা, মীনা কীনবা, ইমুং মনুং ৱাখল তান্নবা অমদি অঙম্বনা য়াবা নুমিৎনি। পাঙগে খনবা থবক পাঙনবা নোল্লুক্লা চৎপদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাঙলদি মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** নক্লবশিংগী মতেং য়াম্না লৈ, ঙায়ঙমদ্রসু ওইজবদি ফংগনি, মীনসু থাগৎপিগনি, ঙাংথোকপদা রাশি য়াওগনি। খৎনবদি থিনা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**ধনু:** চিংনগনু-অচৌবা মায় পাকপা লৈরে। অদুবু হৈ-শিংনা থৌপাঙবদি ৱাৎপনা লৌশিং চাওবগী ৱা তাবদি য়াম্না কান্নগনি। হুদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** মায় পাক্কনি, মীচঙ লৈ, ৱাখলসু থোক্কনি-মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু। কনানসু লাকচবা ঙম্লোই, পাইরক্কী লৌশিং চাওই, শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কুম্ভ:** পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু। অরুবা থবক অমত্তা পাঙদবা ফগনি। মরুপ মপাং লোয়নবা অমদি নথক থোংবগী ৱা তাবনা মাঙবা য়াবা কয়া কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**মিন:** লৌশিং ফুদোকপদি ঙসিসু ৱাগনি । নচা-ননাইগী লমদা নীংবা মপা চারোই। মরুপ্পদি চাল্লি, মীংচৎসু ফংগনি, লন/থবক্কী পাউসু নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## পুনিয়া চিলদ্রেন হোম ফোর গার্লসতা চিলদ্রেন্স দে ২০২২ পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):

ইন্টিগ্রেটেদ ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন দিভেলপমেন্ট সেন্টরনা শীন্দুনা থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা পুনিয়া চিলদ্রেন হোম ফোর গার্লস আই দব্লিয়ু সী দি সী কেম্পসতা চিলদ্রেন্স দে ২০২২গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ৱি আর দ গার্লস, ৱি আর দ ফ্যুচর হায়বা থীমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ কুমারী মেমচা, সাউথ এসিয়ন ফ্রটর্নিটি (এস এ এফ)গী প্রসিদেন্ট সটিয়া পাউল, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজম, মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তম, গুরুদ্বারগী সেক্রেটরি দন্দিপ সিংহ সেটিয়ানা মথংশিৎনা অথোইবা লেংবীরকপা, ময়াই তাংবল অমদি অথোইবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

অঙাংগী নুমীৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা হোমদা লৈরিবা অঙাংশিংনা অয়ুক্কী মতমদা গেমস এন্দ স্পোর্টসকী শান্ন-খোৎনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইন্টরটেনমেন্টকী থৌরম কয়া উৎখি। মসিদা নত্তনা সেন্টর ফোর য়ুথ এন্দ কলচর এক্টিভিটি (সী ৱাই সী এ)গী আর্টিষ্টনা শান্নবা রাস লীলা লাম্থোকখি। সাউথ এসিয়ন ফ্রটর্নিটিনা পুথোকপা অখন্নবা দান্সসু উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা কিনোটকী ৱারোল পীরদুনা চীফ ফঙ্কসনরি এনি মংশাতাবমনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্টিগ্রেটেদ ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন দিভেলপমেন্ট সেন্টরগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অরাম্বম পুইনাপতি কুমজা ১৯৯০দা লৌখিদবনি। মদুগী মতুংদা মখোয়না চিলদ্রেন হোম অসি কুমজা ২০০০দগী হৌদোরকখিবনি। লৈখিদ্রবী অসিগী পোকপগী নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগী মখোয়না পামজবা হৌখিবা চহীদগী হৌনা চীংদা চৎলগা তোঙান তোঙানবা থীমদা থৌরম অসি পাঙথোকই। অঙাং ৪০০ রোম রিহেবিটেদ তৌরগা সর্ভিস পীখ্রে। হৌজিক অঙাং চহী ৬তগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং নুপীমচা ৪৯ লোম লৈ। বেদ কেপাসিটিনা ৫০নি। পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংদগীনা চহী ৬ ফাওবগী ওইনা বেদ কেপাসিটি ১০ লৈ। মসিদা লাক্লিবা অঙাংশিং অসি কনা লৈজদ্রবা অমদি শোয়নাইবদগী হোস্পিটাল অমদি লম্বীদা হুনে দাকপীরম্বা অঙাং কয়াসু য়াওরি। মদুদা অনাবা অমদি মশা ফত্তবা কয়াসু য়াওরমখি। হৌজিকসু চহী ৬ শুরবা অঙাং অমা মশা লেঙ-ওৎপা ঙমদবা অমসু য়াওরি। মথৌ তাবা মতমদা হোস্পিটালদা পুরগা লায়েংলি। ঐখোয়গী পান্দমদি অঙাং অদুবু হিংহনবা অমদি সর্ভিস পীবা অদুনি। থা অমদা হিদাক লুপা লিশিং ৭/৮ ফাওবা চঙই। ঐখোয়গীদি অঙাং অদুবু মতিক চাবা মী অমা ওইহন্নবা হোৎনবা অদুনি।


হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা অঙাং অমসু দাউন সিন্দ্রোম তৌরকপা য়াওবনা অখন্নবা লায়েং পথাপ চত্থরি। মহাক অতোপ্পা মফমদা চৎখ্রগদি হিংবদা ৱাগনি হায়না খল্লি। অঙাং নুপীমচা অমসু লাইবক্তা শরূ কায়রগা ব্রেনগী শরুক থোরকপদগী এইমসতা চৎলগা লায়েংবদগী ফরে। অঙাং অদুগী মমিৎ নাম্মা অমদি ফজনা উরে। অদুবু মহাক ব্লাইন্দ স্কুলদা লাইরিক তমহল্লি। হোম অসিদা লৈরম্বা অঙাং অমসু ডোক্তর ওইবা য়াওখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।



Title : Sirui Lily
By : Afiya
Class : III Sec : C Roll No. : 21
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Ningol Chakkouba
By : E. Nirupama
Class : III-D Roll No. : 22
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Naruto Shippuden
By : Google Soibam
Class : I
School : Alpha & Omega School



Title : My Sweet Home
By : Koijam Yaisana Chanu
Class : Nursery Sec : A Roll : 22
School : North Eastern English School



Title : Little Penguin
By : Koijam Hoihenbi Chanu
Class : I Sec : A Roll No. : 1
School : North Eastern English School



Title : Vegetable Seller
By : L. Minerva
Class : II Roll No. : 30
School : Little Rose School Sagolband



Title : Ladies Shoe
By : N. Linthoi
Class : II Roll No. : 1
School : Little Rose School Sagolband



Title : Swan
By : S. Aruna Chanu
Class : III Roll : 1
School : Little Rose School Sagolband



Title : Women
By : S. Jestina
Class : II Roll No. : 21
School : Little Rose School Sagolband



Title : Rushing to School
By : Sahadat
Class : IV Roll No. : 8
School : Madina High School



Title : Save Earth
By : Salam Suranjoy
Class : III-D Roll No. : 51
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Jean
By : Th. Jenish
Class : II Roll No. : 31
School : Little Rose School Sagolband



Title : Goku 6
By : Waikhom Poireinganba Mangang
Class : III/B Roll No. : 11
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : parrot
By : Yengkhom Silvia Devi
Class : III Sec : D Roll : 15
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Gardevoir
By : Laishram Alvinash Singh
Class: VIII Sec : A Roll No. : 11
School : S.V. Getwell Sr. Sec. School



Title : Anime Girl
By : T. Rohit Singh
Class : VI Sec : B Roll No. : 7
School : S.V. Getwell Sr. Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।